# ফিলিপিন্সতা টাইফুন লাকপদগী মীওই ২ শিখ্রে, খুঙ্গং কয়া ঈশিং থুমজিনখ্রে



মানিলা, ওক্টোবর ১৬ : ফিলিপিন্সকী অৱাং-নোংপোক থংবা শরুক্তা নোংমাইজিং নুমিৎতা মপাঙ্গল লৈরবা টাইফুন অমা শিৎচিল্লকখিবদগী য়ামদ্রবদা মীওই অনী শিখ্রে, পৱার লাইনশিং ফেল ওইহনখ্রে, উ কয়া তেকহন-তুহনখিবগা লোয়ননা খুঙ্গং কয়া ঈশিং থুমহনখ্রে।

লোকেল মীওইশিংনা কারেন হায়না খঙনবা টাইফুন সারিকা নোংমাইজিংগী অঙনবদা ঔরোরা প্রোভিন্সতা শিৎচিল্লকখি অমসুং পুংদা কিলোমিটর ১৩০ গী নুংশিৎকী খোঙজেলগা লোয়ননা মী কুংনা তাবা লৌউ-শিংউ তৌবা প্রোভিন্সশিং ফাওদুনা শিৎখি। নোংলৈ নুংশিৎ অদু মরক মরক্তা পুংদা কিলোমিটর ২২০ য়ৌনা কন্না শিৎখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

ঔরোরাদা লৈবা পোপ্যুলর সর্ফিং টাউন বালেরগী মেয়র নেলিয়ান্টো বিহাসানা হায়খি, কন্না শিৎলকখিবা নুংশিৎনা য়ুম কয়াগী টিন য়ুমথকশিং ফক্কায়খি অমসুং উ অমসুং ইলেক্ট্রিক পোষ্ট কয়া থুদেক্তুনা মৈ মমহনখ্রে অমসুং লম্বীশিং থিংজিন্দুনা খুঙ্গং খরা লম্বী ফাওনখিদ্রে।

কোষ্টেল এরিয়াশিংদা লৈবা ভিলেজরশিং মাঙজৌননা ৱার্নিং পীদুনা খুদোংথীবা নংলোইবা মফমশিংদা হোংদোকহনখি অমসুং মীওই অনীখক অশোক-অপন নংখিবা নত্তনা খুদক্কী ওইনা মী শিবগী পাউ অমত্তা ফংখিদে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

নোংপোক থংবা কাটানদুৱান্স প্রোভিন্সতা অকনবা তুরেলগী ঈরৈনা চেক্লখিবদগী মীওই অমা ঈরাক্কন্দুনা শিখ্রে অমসুং শা কয়া নুংশিৎনা য়ৈবদা লৌমী অমা লৈমায়দা মকোক য়ৈশিন্দুনা শিখ্রে হায়না প্রোভিন্সিয়ল সেফটি ওফিসর গেরি বেওনা হায়খি। ঙামী অহুম থিবা খঙখিদ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

টাইফুন অদুনা পেসিফিক্লোমদগী শিৎচিল্লকখিবদুদা তুরেলশিং অমসুং ক্রীকশিং পাথোকহনখিবগা লোয়ননা অনেম্বা লৌউ-শিংউ তৌবা খুঙ্গংশিং ঈশিং থুমজিনখ্রে। থা অমা চুপ্পা তাগদবা নোংগী চাং ইরাই নুমিৎতা পুল্লপ চুথোকখ্রে। মীওই ২৬০,০০০ গী ঈথৎ প্রোভিন্স অদুদা মীশিংনা মৈ ফংদনা লেল্লি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

বাটান প্রোভিন্সতা নোং চীংগী ফীভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা চীংকারোই ৫০ রোম মাউন্ট তারাকতগী নমদুনা কুমথহনখ্রে, তৌইগুম্বসুং অতে মীওই ৩৬ তি মথক্তা তৌফম খঙদনা লৈখ্রে হায়না মখোয়বু রেস্ক্যু তৌনবা হোৎনখিবা পুলিস অমসুং ফায়র ফাইটরশিংনা ফোঙদোকখি।

দোমেষ্টিক অমসুং ইন্টরনেসনেল ফ্লাইট ২০০ রোম কেন্সেল তৌখ্রে অমসুং পেসেঞ্জর লিশিং কয়া সি পোর্টশিংদগী হাইদোকপা য়াদনা লৈখ্রে। ঈথৎ মনুংদা সার্ভিস তৌরিবা ফেরিশিং ঈথক-ঈপোম কল্লবা সিগী ঈশিংদা থোক্তনবা ওর্দর তৌখিবদগী মী ময়ামদু সি পোর্টতুদগী হেন্দোকহনখিদবনি।

ফিলিপিন্সতা চহী খুদিংগী টাইফুন অমদি নোংলৈ নুংশিৎ কুনলোম শিৎচিল্লকই হায়রি।

খ্বাইদগী নৌবা টাইফুন সারিকা কম্বোদিয়াগী ঈশৈ শক্তুনা খোঙবা উচেক অমগী মমিং লৌদুনা মিং অসি থোনখিবনি।

# আই এসকী মায়োক্তা খুৎ হন্দুনা ইজিপ্টকী প্লেনশিংনা বোম থাদখ্রে



কাইরো, ওক্টোবর ১৬ :

ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস আই এস) কী গুরিলাশিংনা নোর্থ সিনাই প্রোভিন্সতা লাম্মী ১২ হাৎখিবা নোংমগী মতুং থাংজ নুমিৎতা ইজিপস্যান জেটশিংনা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্ট টার্গেটশিংদা পুং অহুম চুপ্পা বোম্মিং তৌখ্রে হায়না আর্মদ ফোর্সেসকী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

বির অল-অবদ টাউনদগী কিলোমিটর ৪০ রোম লাপ্পা লৈবা চেক পোইন্ট অমদা চথখিবা এটেক অমা আই এস আই এসনা মখোয়গী খুৎনি হায়না ইরাই নুমিৎতা ক্লেম তৌখ্রে। মদু সেন্ট্রেল সিনাই এরিয়াদা চথবা অহানবা অচৌবা এটেক ওইখি। মফম অদু লালহৌবশিংগী ঈরাং য়ৌদনা লৈরকখিবনি।

পুং অহুম চুপ্পা চথখিবা টার্গেটেদ এয়র ষ্ট্রাইক অমদা টেররিষ্টশিংবু চঙজফম পীরিবা মফমশিং লোয়ননা খুৎশু-খুৎলায় অমসুং নোংমৈ মরু থম্ফমশিং থুগাইখ্রে হায়না আর্মদ ফোর্সেসকী ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। 'ওপরেসন অদু মখা চত্থরি।'

ইরাই নুমিৎতা ইস্লামিক ষ্টেটকী ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি গ্রুপ অসিনা লাম্মী ২০ হেন্না হাৎখ্রে, অদুগা অমরোমদা মখোয়গী মায়কৈদা মীশি-মীনা অমত্তা থোকখিদে। তৌইগুম্বসুং মিলিটরিনদি এটেক্কর ১৫ হাৎখি হায়না ফোঙদোকখি।

মিলিটরিনা মুস্লিম ব্রদরহুদকী প্রসিদেন্ট মোহম্মদ মুর্সিবু পৱারদগী চিংথুখিবা মতুংদা লমগী ফীভম চাদ্রবা মী লন্না তাবা সিনাই প্রোভিন্সতা ইস্লামিক লালহৌ হৌরকখি। মীয়াম্ন া মহাক্কী লৈঙাক্কী মায়োক্তা পাক শন্না প্রোটেষ্ট তৌনরকখিবদগী কুমজা ২০১৩ গী ময়ায় চল্লকপদা ইজিপ্টকী খ্বাইদগী লিরবা ইস্লামিষ্ট মুভমেন্টগী মকোক অদু মিলিটরিনা নমদুনা মফম থাদোকহনখিবনি।

# সুইসাইদ বোম্মিং য়াওনা এটেক কয়াদা ইরাকতা মীওই ৫৫ রোম শিখ্রে : পুলিস



বাঘদাদ, ওক্টোবর ১৬ :

ইরাক্তা মফম কয়াদা চত্থখিবা এটেকশিংদা মীওই ৫৫ রোম শিখ্রে। এটেকশিং অদু সিয়া মুস্লিম মীটিন অমা, পুলিসকী চেকপোইন্ট অমা অমসুং ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা লৈবা সুনি পেরামিলিটরি লিদর অমগী ইমুংদা টার্গেট তৌদুনা চত্থখিবনি হায়না সিক্যুরিটি অমসুং মেদিকেল ছোর্সশিংনা ফোঙদোক্লি।

এটেকশিং অদু ইরাকি ফোর্সশিংনা নোদর্ন ইরাক্তা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেটনা কন্ট্রোল তৌবা অরোইবা সিটি মোসুল লৌশিনবা ওফেন্সিভ অমা চত্থনবা হোৎনরিঙৈদা চত্থরক্লিবনি।

মীশি-মীনা খ্বাইদগী য়াম্না থোকখিবা এটেক্তি বাঘদাদতা সিয়া কাঙলুপকী মীওইশিংগী মীটিন অমগী মরক্তা চত্থখিবা শাথিরবা সুইসাইদ বোম্মিং অমা ওইখি। বোম্মিং অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪১ শিখি অমসুং ৩৩ শোকখি হায়রি।

টেন্ট অমগী মনুংদা সিয়াশিংগী লাইনিং-লাইশোলগা মরী লৈনবা অশুরাগী থৌরমদা মীয়াম্না শরুক য়ারিঙৈদা সুইসাইদ বোম্মিং এটেক অদু চত্থখিবনি। তরেৎশুবা চহীচাদা প্রোফেট মোহম্মদকী মশুনুপা হুশৈইন হাৎখিববু তেংথাদুনা সিয়াশিংনা অশুরাগী থৌরম পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি।

ওনলাইনগী ৱারোল অমদা ইস্লামিক ষ্টেটনা এটেক অদুবু ক্লেম তৌখ্রে।

লোকেল মীওই অমা লৈখিদবগী অৱাবা ফোঙদোকপগা মরী লৈননা মীওই খরসু টেন্ট অদুদা লৈখি হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। টেন্ট অদু সিটি অদুগী নোদর্ন অল-সাব দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মী চিনবা মার্কেট অমদা শেমখিবনি।

নুমিৎসিগী অঙনবদা সুনি গ্রুপ অমা ওইরিবা ইস্লামিক ষ্টেটকী গনমেনশিংনি হায়না থাজবশিংনা বাঘদাদকী অৱাংথংবা শরুক্তা এটেক অমা পাঙথোকখি। এটেক অমনা পুলিসকী চেকপোইন্ট অমদা টার্গেট তৌখি অমসুং অতোপ্পদুনা গভর্ণমেন্টবু শৌগৎপা সুনি মিলিস্যা চীফ অমগী ময়ুমদা টার্গেট তৌখি হায়না পুলিসকী ছোর্সশিংনা ফোঙদোকখি।

টিক্রিট সিটিগী খারোমদা লৈবা সুটাইবিজাদা চত্থখিবা অহানবগী এটেক অদুদা পুলিসমেন নিপান শিখ্রে অমসুং অতে ১১ শোকখ্রে। মিলিটেন্টশিংগী মায়কৈদসু মীওই অহুম শিখ্রে হায়রি।

অনীশুবা এটেক অদুদা ইসাকি মোবিলাইজেসন মিলিস্যাগী লিদর ন্যুমন অল-মুজামাইগী নুপী অমসুং অঙাং অহুম হাৎখি। গনমেনশিংদুনা মহাক লৈত্রিঙৈদা মহাক্কী ময়ুমদা থোমজিন্দুনা এটেক অদু চত্থখিবনি।

এটেক্করশিং অদু মফমদুদগী নাম্থোক্তুনা চেনখিবগা মখোয়বু সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা তান্নখি। তুংদা মখোয় মশাদা য়াওরিবা এক্সপ্লোসিভ বেল্টশিং পোকখায়হন্দুনা শিজখি হায়না পুলিসনা ফোঙদোকখি।

য়ু এসনা শৌগৎপা ইরাকি গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিং অমসুং ইরানিয়নশিংনা শৌগৎপা সিয়া মিলিস্যাশিংগী মখুৎতা লম কয়া মাংখিবদগী ইস্লামিক ষ্টেটনা চহী অসিদা গভর্ণমেন্টনা পায়শিল্লিবা এরিয়াশিংদা বোম্মিং এটেকশিং কনখৎলকখি।

হৌখিবা জুলাইদা গ্রুপ অসিনা বাঘদাদকী সোপিং এরিয়াদা ট্রক বোম্মিং অমা চত্থদুনা য়ামদ্রবদা মীওই ৩২৪ হাৎখি। মদু কুমজা ২০০৩ দা য়ু এসনা লুচিংদুনা ইরাকতা লান্দাদুনা সদ্দাম হুশৈইনবু পৱারদগী চিংথুখিবা মতুংদা চত্থবা খ্বাইদগী শাথিবা সিঙ্গল এটেক ওইখি।

# রেদ সিদা লৈবা য়ু এসকী ৱারশিপশিংদা মিসাইল কয়া কাপ্লকখ্রে : য়ু এস ওফিসল



ৱাশিংটন, ওক্টোবর ১৬ :

য়েমেনগী হুথি রেবেলশিংগা টেন্সন ৱাংখৎনরিঙৈ তাল্লক্তা রেদ সিদা লৈবা য়ু এসকী ৱারশিপ অহুমদা মিসাইল কয়া কাপশিল্লকখ্রে তৌইগুম্বসুং মিসাইলশিং অদুনা করিগুম্বা টার্গেট অমত্তদা হিট তৌখিদবদগী মীশি-মীনা অশোক-অপন অমত্তা য়াওখিদ্রে হায়না য়ু এস মিলিটরিনা ফোঙদোক্লি।

য়ু এসকী দিফেন্স ওফিসল অমনা হায়খি মদুদি, থাংজ নুমিৎকী জি এম টি ১৯৩০ রোম তাবদগী মিসাইল কাপ্পা হৌরকখি। সর্ফেস-টু-সর্ফেস মিসাইল কয়া য়ু এস এস মেসন, য়ু এস এস নিটজি অমসুং য়ু এস এস পোনসতা কাপ্লকখিবগে হায়বসি খঙবা ঙমদ্রে।


চয়োল অসিগী অঙনবদা য়েমেনগী কোষ্টকী মনাক্তা লৈবা ইন্টরনেসনেল ঈশিংগী শরুকশিংদা তৌখিবা য়ু এস এস মেসননা অরাকপা মিসাইলশিংগী মায়োক্তা কাউন্টরমেজর্স খরা লৌখৎখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

মিসাইল এটেকশিং অদু অমেরিকানা শাথিরবা সিভিল ৱার অদুদা চেন্নখিঙৈদগী চত্থরকখিবা খ্বাইদগী শাথিবা থৌওংনি হায়বা য়াই। সিভিল ৱার অদুদা মীওই ৬,৮০০ হেন্না শিখ্রে, ৩৫,০০০ হেন্না শোকখ্রে অমসুং য়ামদ্রবদা মীওই মিলিয়ন অহুম ময়ুম-মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে। সাউদিনা লুচিংবা কোলিসন্না হৌখিবা চহীদা য়েমেনদা মিলিটরি ওপরেসনশিং হৌখিবনি।

অমেরিকানা অফঘানিষ্টান, ইরাক, লিবিয়া অমসুং সিরিয়াদা মওং কয়াদা লাল য়াওদুনা লৈবা মরম্না ৱাশিংটন্না হান্নদগী ঈরাং কন্দুনা লৈরবা লমদম অমদা অতোপ্পা লাল অমদা অমুক চেন্নবা পামদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা হায়খ্রে।

ইরান্না শৌগৎপা রেবেলশিংদুনা নুমিৎ মরিনিগী মনুংদা য়ু এস এস মেসনদা রোকেট অনীরক কাপশিল্লকখিবা মতুং শগোলশেল নুমিৎতা য়ু এস নেভিনা য়েমেনগী রেদ সি কোষ্টতা লৈবা হুথিনা কন্ট্রোল তৌবা টেরটরিগী মনুং চনবা মোবাইল রাদর সাইট অহুমদা টোমহোক ক্রুজ মিসাইল মঙা কাপখিবনি। খোঙথাংশিং অদু মশা ঙাকথোকচনবা লৌখৎলিবনি হায়না মিলিটরিনা ফোঙদোকখি। হুথিশিংনা এটেকশিংদু চত্থখি হায়বা ৱাফম য়াখিদে।

# দোনগী ৱারী 'নেসনেল সিক্যুরিটি খোঙ্গাওনৈ'



রাৱাল পিন্দি (পাকিষ্টান), ওক্টোবর ১৬ : দোন পাউচেদা ফোঙখিবা সিরিল অলমৈদাগী ষ্টোরিগী মতাংদা পল্লদুনা পাকিষ্টানগী মকোক থোংবা মিলিটরি কম্মান্দরশিংনা 'মরু ওইবা সিক্যুরিটিগী মীফম অমবু অরানবা অমসুং শেমজিন-শাজিনবা ৱারী ওইনা পুথোকপা হায়বসি নেসনেল সিক্যুরিটি খোঙ্গাওনবগী থৌওংনি' হায়না ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ইরাই নুমিৎতা আর্মি ষ্টাফ (সি ও এ এস) কী জেনরেল রাহিল শরিফনা প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা কোর কম্মান্দরশিংগী মীফম অমদা ফোঙদোক্লখিবনি। মীফম অদুদা লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সি) দা লৈরিবা ইনভাইরনমেন্ট অমসুং আর্মিগী ওপরেসনেল প্রিপেইদনেসতা অখন্ননা মিৎয়েং থমদুনা লৈবাক অদুগী ইন্টরনেসনেল অমসুং এক্সটর্নেল সিক্যুরিটিগী ফীভম মপুং ফানা রিভ্যু তৌনবা হোৎনখি।

হৌখিবা চয়োলদা জিহাদ্দি গ্রুপশিং কন্ট্রোল তৌবগী ৱাফমগী মতাংদা লৈবাক অদুগী মতীক ময়াই কল্লবা মিলিটরি অমসুং গভর্ণমেন্টগী মরক্তা মোত তিন্নদবা লৈবগী রিপোর্ট অমা দোনদা ফোঙখি। মদুগী মতুংদা ৱারী অদুবু ইরিবা অলমৈদাবু গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী অকনবা মিৎয়েংনা য়েংলকখি অমসুং এক্সিট কন্ট্রোল লিষ্টতা মমিং হাপচিনখি। ওক্টোবর ৬ তা ৱারীদু ফোঙখিঙৈদগী প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা ৱারীদু অহুস্লক হন্না রিজেক্ট তৌখ্রে।

কনফরেন্স অদুদা পাকিষ্টানি মিলিটরিনা সর্জিকেল ষ্ট্রাইকশিং চত্থখি হায়বা ইন্দিয়াগী ক্লেমশিং অদুবু রিজেক্ট তৌখি। মখোয়না ইন্দিয়ন ক্লেমশিং অদু কাশ্মির ইস্যুদগী মালেমগী পুক্নিং থৈদোকহন্নবনি হায়খি। ফোরম অদুনা মথোং-মরম খঙদবা শেরান্নবা অমসুং রেস্পো-ন্সিবিলিটি খঙদবা থৌওং খুদিংমক খ্বাইদগী মতীক চাবা পাউখুম পীগনি হায়নসু লেপ্পখি।

ক্রুপশিংগী ওপরেস্নেল প্রিপ্যেদনেসতা মপুং ফানা অপেনবা ফোঙদোক্লদুনা সি ও এ এসনা নৌহৌননা ফোঙদোকখি মদুদি পাকিষ্টানগী আর্মিনা ইমা লৈবাকপু থ্রেট মখল খুদিংমক্কী মায়োক্তা দিফেন্দ তৌনবা ৱারেপ লৌরে। কনফরেন্স অদুদা শরুক য়ারিবশিংনা এক্সত্রিমিজম অমসুং টেররিজমগী অতৈ হৌরকফমশিং য়েংশিন্ননবা নেসনেল এক্সন প্লানবু থবক ওইনা পাঙথোকপগা চান্নরা লৈবাক অদুগী মফম শিন-থুংনা হনবা লৈতনা ইন্টলিজেন্সতা বেজ তৌবা ওপরেসনশিং পাঙথোক্লবসু ৱারেপ লৌখি হায়রি।

# নোর্থ কোরিয়াগী খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল চাংয়েং ফেল ওইখ্রে : য়ু এস, সাউথ কোরিয়া

সিওল, ওক্টোবর ১৬ : নোর্থ কোরিয়ানা থাগৎখিবা খ্বাইদগী নৌবা মিসাইল ফেল ওইখ্রে হায়না সাউথ কোরিয়া অমসুং য়ু এসনা নোংমাইজিং নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে। প্রোজেক্টাইল অদু থাগৎখিবা মতুং পংকুই কুইদনা কায়খিবদগী ফীভমসি লাকখিবনি হায়রি।

সাউথ কোরিয়াগী জোইন্ট চীফস ওফ ষ্টাফকী ৱারোল অমনা হায়খি মদুদি, নোর্থ কোরিয়ানা ময়ায় ওইরপ শানবা মুসুদন মিসাইল কাপ্পবা হোৎনবদা মায় পাকখিদ্রে হায়না মিলিটরিনা থাজে। ফেল ওইখিবা মিসাইল লোঞ্চ অদু নোর্থকী নোহ পিয়োঙ্গন প্রোভিন্সতা লৈবা এয়রপোর্ট অমগী মনাক্তা পাঙথোকখিবনি।

সাউথ কোরিয়াগী য়োনহাপ ন্যুজ এজেন্সিনা হায়খি মদুদি, মিসাইল অদু লৈমায়দগী পায়খৎখিবা মতুং য়াম্না থুনা পোকখায়খি হায়না থাজে। পাউ অসিগা মরী লৈননা য়োনহাপনা ছোর্স অমত্তা পনখিদে।

সাউথ কোরিয়ানা মিসাইল লোঞ্চ অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই মরমদি মদুনা নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক এক্টিভিটিশিং চত্থবদা অথিংবা থল্লিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিংবু খোঙ্গাওনৈ হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি।

য়ু এস মিলিটরিনা লোঞ্চ অদু ইরাই নুমিৎকী লোকেল মতমদা নুমিৎয়ুংবা মতুং মিনিট অহুমখক লৈরগা পাঙথোকখি হায়না ইহান হান্না রিপোর্ট তৌখি। মিসাইল অদুনা অমেরিকাদা থোইদোক্না অকিবা পোকহনখিদ্রবসু য়ু এসকী মায়কৈদগী নোর্থ কোরিয়াগী এক্সন অদুবু অকনবা মওংদা ক্রিটিসাইজ তৌখ্রে।

'নোর্থ কোরিয়ানা বলিষ্টিক টেক্নোলোজি শিজিন্নদুনা মিসাইলশিং লোঞ্চ তৌবদা মপুং ফানা অথিংবা থল্লিবা য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিংবু খোঙ্গাওনবা লোঞ্চ অসিগা লোয়ননা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা নোর্থ কোরিয়াগী অতৈ মিসাইল চাংয়েংশিংসু ঐখোয়না কন্দেম তৌই' হায়না পেন্টাগনগী স্পোক্সমেন কোম্মদর গেরি রোশনা হায়খি।






## EMPLOYMENT NEWS

### The New India Assurance Company Limited – NIACL Recruitment 2016 – 300 Administrative Officers Vacancies – Last Date 01 November

**NIACL Recruitment 2016**

The New India Assurance Co. Limited invites Application for the post of 300 Administrative Officers . Apply Online before 01 November 2016.

**Job Details :**

Post Name : Administrative Officers (Scale -I) (Generalists)
No of Vacancy : 300 Posts
Pay Scale : Rs. 32795-62315/-

**Eligible Criteria :**

Educational Qualification : Graduate/post graduate in any discipline from a recognised University or any equivalent qualification recognized as such by Central Government with at least 60% marks in either of the degree examination for General candidates and at least 55% marks for SC/ST/PWD candidates.
Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 30 years (as on 01.10.2016)

**Age of Relaxation :**

Scheduled Caste/Scheduled Tribe : 5 years
Other Backward Classes : 3 years
Persons With Disability : 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on Written Test & Interview.

**Application Fee :**
SC/ ST / PWD / Female Candidates : Rs.100/-
All Other Candidates : Rs.600/-

The payment can be made by using Master/ Visa Debit or Credit cards or Internet Banking.

**How to Apply :** Interested Candidates may apply Online through the website http://newindia.co.in/ from 14.10.2016 to 01.11.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 14.10.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 01.11.2016

**Important Links :**
Detail Advertisement Link : http://www.newindia.co.in/downloads/FINAL%20ENGLISH%20ADVERTISEMENT%2006.10.2016.pdf

**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/niaraooct16/

### India Post Payments Bank Limited – IPPB Recruitment 2016 – 1060 Manager & Senior Manager Vacancies – Last Date 01 November

**IPPB Recruitment 2016**

India Post Payments Bank Limited (IPPB) invites Application for the post of 1060 Manager & Senior Manager in JMG Scale II and Scale III. Apply Online before 01 November 2016.

**Job Details :**

Post Name : Manager (Area Sales & Area Operations)
No of Vacancy : 600 Posts (Area Sales – 250 Posts & Area Operations – 350 Posts )
Grade Pay : Rs. 31705-45950/-

Post Name : Senior Manager (Branch)
No of Vacancy : 350 Posts
Grade Pay : Rs. 42020-51490/-

**Eligible Criteria for IPPB Recruitment :**

Educational Qualification :
For Manager : Graduate from University/ Institution/ Board recognized by the Government of India (or) approved by a Government Regulatory Body and Minimum experience of 3 years in sales of financial products is mandatory OR Minimum experience of 3 years in working in a CBS environment on banking operations in a Public Sector Bank or Private Bank or Post Office Savings Bank is mandatory.
For Senior Manager (Branch) : Graduate from University/ Institution/ Board recognized by the Government of India (or) approved by a Government Regulatory Body and Minimum experience of 6 years is mandatory.

Nationality : Indian

Age Limit : As on 01.09.2016

For Manager : 23 to 35 years
For Senior Manager (Branch) : 26 to 35 years

**Age Relaxation :**
For Scheduled Caste and Scheduled Tribe : 05 years
For Other Backward Class : 03 years
For Person With Disability : 10 years

**Job Location : All India**

**Selection Process :** Selection will be based on online test and/ or an interview.

**Application Fee :**
For SC/ST/PWD (Only Intimation charges) : Rs.150/-
For all others : Rs.700/-

The payment can be made by using Debit Cards (RuPay/ Visa/ MasterCard/ Maestro), Credit Cards, Internet banking, IMPS, Cash Cards/ Mobile Wallets

**How to Apply :** Interested Candidates may apply online through the website http://www.indiapost.gov.in from 07.10.2016 to 01.11.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 07.10.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 01.11.2016
Date of Online Payment of Application Fees : 07.10.2016 to 01.11.2016

**Important Links :**

Detail Advertisement Link : https://www.indiapost.gov.in/Financial/DOP_PDFFiles/20160929_1220%20hrs_Detailed%20Advertisement%20for%20Scale%20II%20%20III.pdf

**Apply Online :** http://ibps.sifyitest.com/ippboff3sep16/